# ইশা ইথন্তগী ভ্লাখলদা উঙদুনা লৈবগী শক্লোন অহুম

ঐখোয়সি পোল্লকপা মতমদা ঐখোয় ইশাখক্তবু খঙজখি, তাইবঙপানসি ঐখোয়নি। ঐখোয়না ঐখোয়গী মরু ওইবা দরকার খরদুদগী হেন্না উবা ফংখিদে, অমদি করিগুম্বা দরকারশিং অদুবু ফংলবদি ঐখোয় অপেনবা ওইখি। ঐখোয়গী খঙলকপগী চাং হেনগৎলকপগা লোয়ননা ঐখোয়দগী হেন্না পাক চাওবা তাইবঙপান অমা উবা ফংলকখি। ঐখোয়না থেংনরকখি মদুদি ঐখোয়গী অকোইবদা মীওইশিং, মফমশিং, অমদি পোৎশকশিং, লৈ, অমসুং মখোয়দুনা ঐখোয়গী দরকার লৈবশিংবু ফংহল্লি। মতাং অসিদা ঐখোয় খেন্নবা মশক খঙবা অমদি খোয়দাবশিং পোল্লকপা হৌরকই। ঐখোয় অপাম্বা অমসুং খন্দোক-খনজিন হৈরকই। ঐখোয় চাওখৎলক্লিবা তাইবঙপান অমগী মীতাফম্লি অমদি ঐখোয়না দরকার লৈবা অমসুং অপাম্বা পোৎশক ফংগনি হায়না আশা তৌখি। ঐখোয়গী মরুওইবা দরকারশিং ফং লিবা অপেনবগী মচাক অদুদগী ঐখোয়গী অপাম্বশিং থুংনবা হোৎনবদা মায় ওল্লকখি।

অঙাং অয়াম্বা, মতমগী মতুংইন্না হকথেংনরকপদগী, মপানগী তাইবঙপান্না মখোয়গী অপাম্বা অমদি দরকার খুদিংমক ফংহনবা ঙমদে হায়বসি খঙবা ঙম্লকই। মখোয়দা ফংহল্লিবা অদুবু মখোয় মশানা হোৎনজবনা মেনশিনবা হৌরকই। মখোয়না মীওইশিং, মফমশিং অমদি পোৎশকশিংদা মপান তাংবগী চাং হস্থরকপগা লোয়ননা মখোয় মশানা মশাদা হেন্না হেন্না য়েংজবা হৌরকই। মখোয় মশাগী মপূং ফাজবা হেন্না হেনগৎলকখি অমদি নুংঙাইবা অমসুং অপেনবা অনীসি থম্মোয় মনুং দগী পোল্লকপনি হায়বসি খঙজবা হৌরকই। অয়াম্বনা লেপ্তনা মপূং-মরৈ ফারকই; মখোয়না মখোয়গী পাঙ্গল, অশোনবা অমদি চাং খঙজরকপগা লোয়ননা য়াজবা ঙম্লকই। মতাং খরদা, মখোয় মশানা ফংহনবা ঙমদবা পোৎশকশিং অদুবু ফংজনবা অহেনবা শক্তি অমগী মতেং তত্তনা নিখি। মী অয়াম্বগী ওইনা, চাওখৎলকপা হায়বসি মহৌশাগী খোঙচৎ অমনি।

অদুমওইনমক, এদিকশিংগী খোঙচত্তুগী মরক্তা শোইখিবগুম তৌখ্রে। ঐখোয় অঙাংগী ওইবা মশাগীতা খনবা হৈনবী অদু থাদোকপা ঙমখিদবগুম তৌখি। ঐখোয়না অতৈনা তৌনরিবগুম কৈদৌঙৈদসু ইশাগী মপুং-ফাজবা অদু ফংদবগুম ফাওখি। ঐখোয় মখা তানা ঐখোয়গী অকোয়বদা লৈবা তাইবঙপান্দা তাংজদুনা লৈরম্মী অমদি ঐখোয়দা খুদিংমক ফংহনবা ঙম্লোই হায়বসি য়াজবা ঙম্লমদে। ঐখোয় ইশা ইথন্তগী ভ্লাখলদা উঙদুনা লৈরকহ; ঐখোয়গী অপাম্বা অমদি দরকারশিং অদু ফংফম থোকই খল্লকই। ঐখোয় পেঙ্খোকপা অমসুং মপূং ফাবা অনিসি ওইথোকপা ঙমদবগী তাঙ্কক অমা য়ৌরকই। মীওইশিং, মফমশিং অমদি অমদি পোৎশকশিংনা ঐখোয়গী মনুংদা ফাওরিবা অহাংবা অদুবু মেনশিনবা ঙম্লমদে, লোয়ননা ঐখোয়না মখোয়দুগী মায়োক্তা মলোম, অশাওবা অমসুং অকিবনা পাউখুম পীখি।

মলোম, অশাওবা অমসুং অকিবনা ইশা ইথন্তগী ৱাখলদা উঙদুনা লৈবগী শক্লোন অহুম ওইরকই। ঐখোয়গী লমচৎ শাজৎকী অশোয়বা পূম্নমক হায়রিবা অহুম অসিনা হৌরকফম্লি। ইশা ইথন্তগী ৱাখলদা উঙদুনা লৈবা হায়রিবসিনা ঐখোয়গী জ্ঞান য়াওদবগী হৌরকফম্লি।

মলোম হায়বসি ঐখোয় অয়াম্বদা ঐখোয়গী হৌখ্রবশিংনা মফম ওইদুনা পোকহল্লকই। মসি ঐখোয়গী হকথেংনরকখিবশিংদু ভ্লাখলদা হন্না-হন্না নৌথোকহনবদুনি। অশাওবা হায়বসি ঐখোয় অয়াম্বদা হৌজিক হৌজিক মায়োক্লরিবশিংগী শরুক অমনি। মসি তাইবঙপানবু য়াজদবা অমদি মদুদা ফোঙদোরকপা ঐখোয়গী পাউখুম্লি। অকিবা অসি ঐখোয়না তুংগী খন্বা মতমদা ফাওরকপা ভ্লাখলদুনি। মসি মশক খঙদবা অমদা পীবা ঐখোয়গী পাউখুম্লি; অমরোমদা পংশাদা শাগৎপা ভ্লাখল অমগুম্বনি। হায়রিবা পোৎশক অহুম অসি ইশা ইথন্তগী ভ্লাখলদা উঙদুনা লৈবদুনা পোল্লকপনি। মখোয় অসি মীওইশিং, মফমশিং অসি পোৎশকশিং (হৌখ্রবা, হৌজিক-হৌজিক অমদি তুংগী) হায়রিবসি ঐখোয়না পাম্লিবা অদু ফংহনবা ঙম্লত্তবদগী পোল্লকপনি।

নার্কোতিক্স ননোনিমশতা পুন্সিগী অনৌবা লম্বেল অমা অমসুং অনৌবা খুৎলাই মপুন অমা ঐখোয়দা ফংহল্লে। মখোয়শিং অদুদি খোঙথাং তরানিথোইনি, অমসুং ঐখোয়গী ঙমজবী চাংদা থবক পাঙনবা হোৎনৈ। করিগুম্বা ঐখোয় শেংনা লৈরগদি, অমদি ঐখোয়গী হিরম খুদিংমক্তা ফিরেপশিং অসিবু শিজিন্নবা ঙম্লগদি, অঙকপা অমা থেংনরকই। ঐখোয় নিংতম্বা ফংলকই - দ্রগশিংদগী, ঐখোয়গী এদিকশন্দগী, অমসুং ইশা ইথন্তগী ভ্লাখলদা উঙদুনা লৈবদগী। মলোম অসি য়াজবনা মহুৎ শিল্লে, অশাওবা অসি নুংশিবনা মহুৎ শিল্লে; অমসুং অকিবা অসি থাজবনা মহুৎ শিল্লে।

ঐখোয় লায়না অমনা নাই মদুদি, মমৈদা, ঐখোয় মতেং নিবা তারকই। ঐখোয় লাইবক ফরবনি মদুদি ঐখোয়দা খুদোংচাবা অমখক্তমক পীরম্মী; অরোইবা খুদোংচাবা অমা। ঐখোয় ইশা ইথন্তগী ভ্লাখলদা উঙদুনা লৈবগী শক্লোন অহুম অদু মাঙহনবা তাই; অসুম তৌরবা ঐখোয় ফগৎলকই, নংত্রগদি শিবা তাই।

ঐখোয়না মীওইশিং, মফমশিং, অমসুং পোৎশকশিংদা ফোঙদোক্লিবা মওং :

| **অরানবা** | | **অচুম্বা** |
|---|---|---|
| মলোম | **হৌখ্রবা** | য়াজবা |
| অশাওবা | **হৌজিক-হৌজিক** | নুংশিবা |
| অকিবা | **তুংগী** | থাজবা |

Copyright © 2009 by
Narcotics Anonymous World Services, Inc.
হক খুদিংমক অফোংবগীনি।

World Service Office
PO Box 9999
Van Nuys, CA 91409 USA
T 818.773.9999
F 818.700.0700
Website: www.na.org

World Service Office–CANADA
Mississauga, Ontario

World Service Office–EUROPE
Brussels, Belgium
T +32/2/646 6012

World Service Office–IRAN
Tehran, Iran
www.na-iran.org

মশি এনঃএঃ ফেলোশিপনা অয়াবা পিরবা সাহিত্যাদগী হনদোকচবনি।

Narcotics Anonymous, , , , অমসুং The NA Way
রেজিস্টার তৌরবাখুদমশিংনি।
Narcotics Anonymous World Services, Incorporated.

ISBN 978-1-55776-397-6 Manipuri 7/11
WSO Catalog Item No. MP-3112

Narcotics Anonymous®
নার্কোতিক্স এনোনিমশ

IP No. 12-MP

# ইশা ইথন্তগী ভ্লাখলদা উঙদুনা লৈবগী শক্লোন অহুম